# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-25

**(Global Warming and Food Security)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) তোমচা - লৌমী (২) লময়ানবা - লৈকায় পাখং
(৩) পাইখোম্বা - এগ্রিকলচরিষ্ট

নুপী:- (১) তোম্বীরৈ - তোমচাগী নুপী
(২) লাংলেনসনা - তোমচাগী মচানুপী

(মতম:- অয়ুক, মফম :- তোমচাগী য়ুম, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

লময়ানবা :- খুরা... ... খুরা তোমচা লৌবুক চৎলরোইদরা, থেংঙে চৎসি লাকওদনা।

তোমচা :- চংঙকখো লাও লময়ানবা, চা গ্লাস অমতং থকখিসি লাকও। তোম্বীরৈ ! নঙগী চাদুবু লোইদ্রিবরা, চা গ্লাস অনি পুথোরকউ, লময়ানবসু লাকএ।

তোম্বীরৈ :- লোয়রে লোয়রে, পুরকএ পুরকএ। ইবেম্মা ! হৌগৎলোনে নঙবো, নপাহোয় লৌবুক চৎখিদৌরে।

লাংলেনসনা :- অস ! ঙহাক্তা তুমখিগেবা ইমা, ঙরাংসু থেংনা তুম্মে, তুমশিং ফাদ্রিয়ে।

তোম্বীরৈ :- (ঙাং ঙাংদুনা চা পুথোরকপা) পুংসে আ য়ৌখরে হৌগৎলো হৌগৎলো, মোয় পাবা চা লৈজরে, ইবুংঙো লময়ানবা সে চা থকউসে।

লময়ানবা :- হোয় ইনে, লাংলেনসনাদুবু হন্দক হায়দোকখিবা বি.এসিগী পরিক্ষাদুদা মকোক তারকই হায়বরা কৈনো তাখিগুম তৌই, চুম্বরা ইনে।

তোম্বীরৈ :- উম, চুম্মী ইবুংঙো মখা করি তমহনগদবনো খঙদদনা লৈরে, ইনেহোয় নোয় খুরাহোয়নদি পৈশাসু মতিক চানা লৈতবনিনা মপান্দা থাদুনা লাইরিক তমহনবসু ঙম্বা নৎতেদো, খঙদরে খঙদরে করিবু তৌগদবনো।

তোমচা :- খুরাসু খনফম খঙদরে, হন্দক্কী চহিসিদি মহৈ-মরোং অমতা নীংথিজনা হৌবা ঙমদরে, ঈশিং ৱাৎলবনিনা ফৌসু লোয়না কংলে, ফৌসু অমতা লোকপা য়াগদবা মান্দরে।

লময়ানবা :- অচুম্বনি খুরা, নোংজুগী চাংদা অহোংবা অকায়বা কয়া লাকপদগী মনা-মশিং পুম্নমক তীনজং কাইজংলে, শাবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্কবনিনা ফৌ পাম্বীশিং অসিদসু তীল তাবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি অদুনা চান্নবা চীঞ্জাক মরাং কায়না ফংলোইদৌরি।

লাংলেনসনা :- (থোরকপা) দাদা লময়ানবা ঐখোয় পাবা হৌবা লাকইরো, লৌবুক চৎননবা?

লময়ানবা :- উম, খুরা ইবানি ৰারী শা শাদুনা চৎমিন্নরদি লৌবুক য়ৌখিবা খঙহৌদে, লৌফমসু হেক থংননা লৈরবনিনা থবক শুরসু তাথোক-তাশিন তৌনদুনা শুমিন্নবা নুংঙাইদুনা চৎমিন্নরিবনি।

লাংলেনসনা :- হন্দক চহিসিবু ফৌথোক কয়ামবু থোকপা ঙমগদৌরিগে দাদা লময়ানবা, হন্দকতি নোং চুবগী চাংসু য়াম্না ৰাৎলে, শাবগী চাংসু য়াম্না হেল্লে, মালেমসিদা গ্লোবেল ৰার্মিং থোরকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী অৰা-চৈথেং মফম খুদিংমক্তা ফংলবনি।

লময়ানবা :- হন্দক্তি লৌফম অয়াম্বা পোৎথোক য়াম্না হন্থগদবা মাল্লি অদুনা চান্নবা চীঞ্জাক ৰাৎপদগী পোৎ-চৈ তাংবা, চাবা ফংদবগী অৰাবা কয়া মায়য়োক্নরগনি খল্লি।

তোম্বীরৈ :- মোয়পাবা ঙহাক লৈরদি নুংশাসু য়ক লাওনা শাগৎলক্লগনি, লৌবুক চৎকনি হায়বদু চৎপীরুরো, লৌদা তীল য়াম্না তারে হায়বদুসু অউ অউবা খরা ফাদোকপীরম্মু, মথোং মরম খঙদনা তীল হীদাক পংকাপ্তা কাপশিনবদু ঐদি কয়া পামজদে, ফজনা অখঙ-অহে তান্নরগা করি উপাই তৌবা য়াবগে হায়বদুসু অমুক্তা তান্নসি।

লাংলেনসনা :- ইমা ! ঐখোয় ইমান্নবী থোইবীগী মবুং পাইখোম্বদো এগ্রিকলচল ওফিসার ওইরি, ঐ ঐখোয়গী লৌবুকসে অমুক্তা য়েংবিররো লাও হায়গে।

তোমচা :- হোয়নে ইবেম্মা, নঙনা হায়রিবা মীওই অদু অমুক্তা খরা থুনা কৌরকউ। হায় মমা ঐ লৌবুক চৎলুখিগেকো, লাকও লময়ানবা চৎসি লাকও।

লময়ানবা :- হোয় খুরা চৎসি, লৌবুক্কা হেক তাইননা লৈবা খোঙবান মচাদুদা নহালদি ঙামু মচা য়াম্না লৈবা উরম্মী, ঙমুশিংদুসু ঙসিদি ফারকসি, চৎলসি খুরা থেংখ্রনি।

লাংলেনসনা :- দাদা লময়ানবা ঙমুশিংদু লোয়নদি ফাদোকপিরক্নু, অপীকপা মচাশিং অদুদি থম্বীরম্মু মোয়না মপুং মরৈ ফারক্লগা অমুক ঙমু মশিং য়াম্না শন্দোরক্নবা, ঐখোয় মীওইবসে ঙসিখক্কী চান্নবা লৈরগা য়াবা নৎতে তুংগীসু চান্নবা মতিক চানা লৈহনবা তাবনি, চাবা ৰাৎতনবা চরা হেন্দনবা হোৎনবা তাবনি, ফুড সেক্যুরিটি হায়বদু ওইহন্নবা হোৎনবা তাবনি।

লময়ানবা :- (নোকপা, লাপতক্লা হায়রম্বা) হোয় হোয় ইচলদি লাইরিক হৈবীনিনা লৌশিংসু য়াম্না লৈরে, ইচলনা হায়বা খুদিংমক ইনজগে।

তোম্বীরৈ :- ইবেম্মা, ঐখোয়গী হৈক্রে পাম্বীসিদা পাল্লিবা হৈক্রে পুন্নমকসে লোয়না কেন্দুনা মাংখিবা তারে, হৈমুন ফারবশিংসে ফজনা হেকতোক্লগা আচার শেমদোকসিরা।

লাংলেনসনা :- অদুদি য়াম্না ফবা ৰানিনে ইমা, হৈসু মাংলরোই, হয়েং আচার শেমদুনা লিদুনা থমহৌরবদি হৈক্রে পান্দবা মতমদসু হৈক্রে চাবা ফংলনি, লাকও ইমা হেকউরসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: পাইখোম্বগী য়ুম, মতম: অয়ুক, রেডিওদা নুংশিবা ঈশৈ তপ্পা খোংবগী মখোল তাবা)

| | | |
|---|---|---|
| পাইখোম্বা | :- | (ঈশৈ ঙংবা) ঐদি পাখং শরিনি... ... ঐদি পাখং শরিনি, তালোই তুইল তমজদ্রি, য়ুমলেপ চারা তমজদ্রি... ঐদি পাখং শরিনি...। |
| লময়ানবা | :- | খুরা ! লাংলেনসনানা তাক্লকপদুগা হায়রদি সার পাইখোম্বগী য়ুমসি সি ওইরমগদবা মাল্লি। |
| তোমচা | :- | হোয়নে, ঐখোয় ইবেম্মনা হায়রকপদুবু থোঙ্গাল হেক চংফমদা বোকুল পাম্বী অচৌবা অনি খমব্রাংননা হৌই হায়রকপনি, বোকুল পাম্বী ফজবা অনিসু হৌরে চংফমসিদা, সিগী য়ুমসি শোয়দনা ওইগনি হেক্তা চংলগা হংলসি। |
| লময়ানবা | :- | হোয় খুরা লাকও, ঐ হেক্তা কৌরগা হংলগে... ... হো য়ুমসিবু মী লৈবীবরো... কৈনোমতা হংজগেবা... হো মী লৈবিবরো। |
| পাইখোম্বা | :- | কনানোনে তাঞ্জা ওন্থোক্লা চাদনা কৌরিসিবো মীনা ঈশৈ নুংঙাইনা ঙংলিঙৈসিদা...। ঐদি পাখং শরিনি... ঐদি পাখং শরিনি... (ঈশৈ অদুম ঙংবা)। |
| তোমচা | :- | য়ুমসিবু সার পাইখোম্বগী য়ুম ওইবিরবরা, সার পাইখোম্ববু লৈবিবরা? |
| পাইখোম্বা | :- | (থোরকপা) আ করি তাকপীগদবা, করি হায়বীগদবনো হেক্তা হায়বীয়ু। |
| লময়ানবা | :- | আ য়ুমসিবু সার পাইখোম্বগী য়ুমনিকো। |
| পাইখোম্বা | :- | অহোয় মানি, করি তাকপীগদবা? |
| তোমচা | :- | ইবুংঙো, সার পাইখোম্বদু লৈরদি অমুক্তা উন্নজগে, সারগা করিগুম্বা খরদং তান্নজগে তৌজবনি। |
| পাইখোম্বা | :- | পাইখোম্বা হায়রিদু ঐ ইশানি, খুরাহোয়না হায়বীনিংলিবা পুম্নমক হেক্তা হায়বীয়ু। |
| তোমচা | :- | ইহে ইবুংঙো ওইরে, খুরাসে ইবুংঙোগী ইচলনুপী থোইবীগী মমান্নবী লাংলেনসনাগী মপানি। |
| পাইখোম্বা | :- | ওহ ! খুরাসে লাংলেনসনাগী পাবুং ওইরেকা, অদুগা সোমগী মরুপসিনা লাংলেনসনাগী কনা ওইবিরবনো, মীংনা করি কৌবীবা? |
| লময়ানবা | :- | ঐগী ইমিং লময়ানবা কৌজে, ঐদি লাংলেনসনাগী হেক পোকমীন্নবা মবুংদি নৎচদে, লৈকাইগী মবুংনি। |
| পাইখোম্বা | :- | খুরাগা মরুপকনা ঐগী নাক্তা লাকপীববু করি তান্নসি হায়বা, করি মরমগী ওইবিরবনো। |
| লময়ানবা | :- | হন্দক চহি খরসি নোংজু নুংশাগী চাংদা অকায়বা কয়া থোরকপদগী লৌ ফজনা উবা য়ারক্তবা, মনা-মশিং ফজনা হৌবা ঙমলক্তবনা মরম ওইরগা লৌমী ঐখোয়না অৱাবা কয়া মায়য়োক্নরক্লি, পোৎথোক ফজনা পুথোকপা ঙম্লক্তবদগী চান্নবা চীঞ্জাক ৱাৎলকপগী অৱাবা কয়া থেংনরক্লগনি, মীওই কয়া চাবা ফাওবা ফংনরক্তবা য়াই অদুনা সার করি করম তৌরগা অৱাবা অসিদগী খরদা ওইরসু ঙাকথোকপা য়াগদগে খন্নজগে হায়দুনা সারগী নাক্তা লাকচরিবনি। |

তোমচা :- ইবুংঙোদি মীয়াম্না শকখঙনরবা এগ্রিকলচর সাইন্টিষ্ট অমনি অদুনা ইবুংঙোনা উপাই অমতদি তাকপীয়ু, ঐখোয়গী খুন অসি ইকং থোক্তুনা লমগং ওইরকপদগী মনা-মশিং অয়াম্বা হৌবা ঙন্নক্ত্রিবসি করম করম্বা মনা-মশিং থারগা চান্নগদগে হায়বদুসু তাকপীয়ু।

পাইখোম্বা :- খুরা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদুসু খন্নসি, অদুগা লৌখৎপা য়াবা থবক খুদিংমকসু পায়খৎসি, হৌজিক মালেমসিদা ফোশিল ফ্যুল কা হেন্না শিজিন্নরকপা, মীশিং য়ামখৎলকপগী মতিক উ-ৱা, উমং-ৱামং কয়া কোকথোক্লকপদগী গ্রিন হাউস গ্যাসকী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইহল্লক্লি, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া ওইরক্লি। মফম অমদা ফংলিবা মহৈ-মরোং, উহৈ-ৱাহৈগী পোৎথোকশিং অসিসু মফম অদুগী নোংজুগী চাংগী মখা য়াম্না পোল্লি।

তোমচা :- অচুম্বনি ইবুংঙো হন্দক্কী চহিসি নোং ফজনা তাদ্রবনিনা লৌ ফজনা হৌদ্রবনিনে, ফৌ অমতা লোক্কদবা মান্দ্রেবো।

পাইখোম্বা :- খুরা, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা নোং তাবগী চাং অসি য়াম্না খেনৈ, ঐখোয়গী লৈবাক ভারত্তদি নোংজু থা অসি জুন থা অদুৱাইদগী হৌরে, সাউথ-ৱেষ্ট মোনশুন হায়রিবা অসি ভারতকী মফম অয়াম্বদা ফংঙি অদুগা নোর্থ-ইষ্ট মোনশুন হায়রিবসিনা অতেনবা মতমগী ওইনা ভারতকী খা নোংপোক থংবা শরুকশিংদা ফংঙি।

লময়ানবা :- সার, ঐখোয়গী লৈবাক্তদি লৌউ শিংউবসি নোংগী ঈশিংগী মখা পোনবনি, নোংগী ঈশিং মতিক চানা ফংদ্রবদি লৌউ-শিংউবা য়ারোইদৌরিবনি অদুনা মোনশুন, নোং পুবা নুংশিৎ অসি মহৈ-মরোংশিংগীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবনিকো, অদুনা চীঙ্গাক মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক নোং মরাং কায়না তাবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে।

পাইখোম্বা :- উম, য়াম্নমক চুম্লবা ৱাফমনি, ইহে ঐদি ৱারী তৌরিঙৈদা খুরাহোয় চা পীথক্কনিকা লোয়না কাওরুরেদনা। তা চাওবা... তা চাওবা... চা অনিখক্তা হাওনা শেম্বীরকউ।

তোমচা :- ইবুংঙো খুরাহোয়গী ওইরদি চাদু শেম্বীরুরগনু, য়ুমদগী থক্লপদা ঙাইরি, য়াজরনি।

পাইখোম্বা :- খুরা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফংলিবা নোংজুগী চাং অমদি অইং-অশা খেন্নবগী মতুংইন্না মহৈ-মরোং, মনা-মশিং হৌবা অমদি ফংবসু খেন্নৈ।

লময়ানবা :- অদুদি সার ঐখোয়গী লৈবাকসিদসু অইং-অশা, নোংজুগী চাং খেন্নবনিনা করম করম্বা মনা-মশিংনা করম করম্বা নোংজুগী চাংদা হৌবা ঙম্বগে হায়বদুসু তাকপীয়ু।

পাইখোম্বা :- নোংজুগী চাং চহিদা চাওরাক্লা মিলিমিটর ২০০গী মথক্তা তাবা মফমশিংদা ফৌ অমদি চু থাবা য়াই ফজনা হৌবা ঙমই, অদুগা নোংজুগী চাং চাওরাক্লা মিলিমিটর ১০০ রোম য়ৌনা তাবা মফমশিংদনা গেহু, চুজাক অমদি অহৈ-অতৈ মরু-মরাংশিং হৌবা ঙমই, নোংজুগী চাং মিলিমিটর ৫০দগী হন্থনা তাবা মফমশিংদদি মনা-মশিং ফজনা হৌবা ঙমদে।

তোমচা :- ওহ ! মহৈ মরোংশিং অসিসু নোংজুগী চাংগী মখা য়াম্না পোনবোরে।

পাইখোম্বা :- নোংজুগী চাং খক্তা নৎতনা মহৈ-মরোংশিংনা ফজনা হৌবা মতমদা অকক্নবা টেম্পরেচর, অইং-অশা, হ্যুমিদিটি, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং, নুংশাগী মৈশা ফংবগী মতম, লৈবাক লৈহাওগী মওং মতৌগসু য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ।

তোমচা :- ইবুংঙো ঐখোয় মীওইবনা হীংবদা য়াম্না মরু ওইবা চীঙ্গাক ওইরিবা ফৌ, গেহু অমদি চুজাক হায়রিবা পাম্বী অহুম অসিদি করম করম্বা অইং-অশা লৈবাক লৈহাওদা হেন্না চান্নবা হৌবগে।

পাইখোম্বা :- য়াম্না মরুওইবা পাম্বী মখল অহুম অসি হৌবদা চান্নবা তোঙান-তোঙানবা ক্লাইমেটিক কন্দিসন লৈজৈ, ফৌনা অশাবা মফম অমদি অচোৎপা মফমদনা হেন্না চান্নে, গেহুনা অইংবা ক্লাইমেৎকা হেন্না চান্নে অদুগা চুজাকনা অশাবা অমদি অকংবা মফমদনা হেন্না চান্নবা হৌই।

লময়ানবা :- হায়রিবা মহৈ মরোং অসি মালেমগী ওইনা চহিদা পোৎথোক কয়ামুক পুথোকপা ঙম্বগে।

পাইখোম্বা :- চহিদা চাওরাক্লা টন ক্রোর ২৫০মুক পুথোকপা ঙমই, মীওই অমনা হিংবদা মরুওইবা চীঙ্গাক অসি চহিদা কিলোগ্রাম ৩০০ রোম দরকার ওই।

তোমচা :- অদুদি ইবুংঙো পুথোক্লিবা চীঙ্গাক্কী চাং অসিনা মীওই খুদিংমক চাবদি কোন্নরমগদবা মাল্লি অদুবু মফম খরদা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৰাবা মায়য়োক্লুরি হায়না হায়নরিবা অসিনা করম্ননো।

পাইখোম্বা :- খুরা চীঙ্গাক পুথোকপগী চাং অসি মফম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা নৎতে, মফম খরদনা য়াম্না হেন্ন পুথোকই, খরদনা ৰাৎনা পুথোকই, করিগুম্বা পোৎথোক লৈজরবসু লৈবাক খরদদি পোৎকি মমল অসি য়াম্না ৰাংবা মরমনা লাইরবা মীওইশিংনা পৈশা লৈতবদগী লৈবা ঙমদে, মরম অসিনা চাবা ফংদবগী অৰাবা কয়া মায়য়োক্লে।

লময়ানবা :- চীঙ্গাকশিং য়াম্না পৈশিন্দুনা লিশিন্দুনা থম্বা মতমদসু অশাবা মফম অমদি নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না ৰাংনা লৈবা মফমশিংদদি তীল-কাঙ, কোকফাই শুজাশিংনা চীঙ্গাকশিং অয়াম্বা মাংহন্দুনা চীঙ্গাক ৰাৎপগী অৰাবসু মায়য়োক্ল দবা নৎতে।

পাইখোম্বা :- য়াম্না চুম্মী মরুপনা হায়রিবদু, মালেমসিদা মীশিং অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবনিনা, চীঞ্জাক অসি য়াম্না হেন্না দরকার ওইরক্লি অদুবু ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা চীঞ্জাক পুথোক্লুবা হোৎনবদা অৰাবা, অকায়বা কয়া ওইরক্লি, মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বসিসু ঐখোয়না হোৎনদবা য়াদবনি।

তোমচা :- ইবুংঙো খুরাহোয়গী খুন্দা অমুক্তা লাকপীদুনা ঈশিং ফংদবগী অৰাবা লৈরবা মফমশিং অসিদা করি করম তৌরগা মহৈ-মরোং থাবা য়াগদগে হায়বদু অমুক্তা য়েংশিনবিরলাও।

পাইখোম্বা :- খুরা ! ঐ শোয়দনা লাকচগে, করি তৌসিগে হায়বদুসু তান্নসি, করিমতা ৰাবিরুগনু উপাই শোয়দনা লৈগনি।

তোমচা :- অদুদি ঐখোয় অমুক চৎচরগে ইবুংঙো।

-ম্যুজিক-

(মফম: তোমচাগী য়ুম, মতম: নুমিদাং মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা মতম)

লাংলেনসনা :- পুংশিবু কয়াবু তাখ্রবগে, ঐগী সেল ফোনদুনা কদায়দা লৈখ্রজাৎনো... এ ! সিদা তেবল মখাদা তাদুনা লৈরে, পুংশিদি তরা হেনখ্রেনা, তুমবুদি তুমনিংদ্রি, সাইন্স জর্নেলসিদুম পাখিগে ... উম সিদা য়াওরিবা আর্টিকল অসি... ওহ ! ক্লাইমেৎ চেঞ্জ এন্দ ফুড সেক্যুরিটি, করি করিবু ইরিনো সিদা ইরিবশিংসিবো... মালেমসিদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কাইরকপদগী মরুওইবা চীঞ্জাক মখলশিং পুথোকপগী চাং য়াম্না হন্থরক্লি, মরমসিনা চীঞ্জাক্কী মমল খঙহেন হেনগৎলক্কুনা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৰাবা মায়য়োক্লরগনি।

তোম্বীরৈ :- ইবেম্মা ! নঙবু হৌজিক ফাওবা তুমদ্রিবরা, তুমলোদনা হয়েংদি য়াহৌ ঙন্দবা য়ারোই, ইমা-ইচা ঐখোয়গী ইংখোলসে করি করিনো মনা-মশিং থাবা য়াবা খরা থাজিনসি, নোংসু নিংথি নুংঙাইনা তাদ্রবনিনা হন্দক্তি ফৌথোকসু ৰাৎলনি, অদুনা ঐখোয়না তৌবা য়াবা খরা তৌশিনসি, নপাদা ঙাইদুনা লৈরবদি ঐখোয় পুল্লপ ৰামীন্নরনি।

লাংলেনসনা :- হোয় ইমা, করিনো তৌবা য়াবা উপাইশিং তৌবা হায়দুনি, হৌজিক মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা চীঞ্জাক ফংলক্তবগী অৰাবা চৈথেঙ কয়া ফংলক্লিবসিগী মরমদা ইবা আর্টিকল অমা সুম পারম্বনিদা ঐসু।

তোম্বীরৈ :- হোয়নে ইবেম্মা, চহি খরসিদা নোং চুগদবা মতমদনা চুদা চুরোইদবা মতমদনা হেক চু, শাবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলক্লে অদুনা মহৈ-মরোং অমতা ফজনা লোকপা ঙমদরে, অসুম্না অসুম তৌরবদি ঐখোয়দি হীংবা য়াম্না ৰাৰনিবো। নোয়গী নমান্নবী থোইবীগী মবুং পাইখোম্বদুসু লাক্কনি হায়রগা লাক্তে লাক্লরোইদবা জাৎলা খঙদে।

লাংলেনসনা :- লাক্কনিদা, অচিনবা থবক লৈদুনা তৌবা ওইরিনি, দাদা পাইখোম্বদি মানা হায়খিবা ৰা শোয়গন্দবনি।

তোম্বীরৈ :- ইবেন্মা, মালেমসিদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংশিবু কয়ামুক য়াম্লবগে, মীশিং হেনগৎলক্লিবগী মতিক চান্নবা চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদ্রবদি চরা হেনবা তাবনি লাইরবা মীওই কয়াদি।

লাংলেনসনা :- অচুম্বনি ইমা, হৌজিক হৌজিকমকসু মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৰাবা মায়য়োক্লরিবনি। হৌজিক মালেমসিদা মীওই বিলিয়ন ৭.৬ রোম শুরে, ইং ২০৩০ ফাওবদদি বিলিয়ন ৮.৬ রোম য়ৌরগনি অদুগা ইং ২০৫০ ফাওবদনা মীওই বিলিয়ন ৯.৮ রোম য়ৌরগনি অমদি ইং ২১০০ দদি বিলিয়িন ১১.২ রোম য়ৌরগনি হায়না ইউনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট মতুংইন্না হায়রি।

তোম্বীরৈ :- ইবেন্মা, বিলিয়ন অমা হায়বসিবু কয়ামুক য়াম্বনো?

লাংলেনসনা :- ইমা, বিলিয়ন অমগা ক্রোর ১০০ গা মান্নে।

তোম্বীরৈ :- ক্রোর ১০০, ইস ! অদুদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রবা জাৎনিনে, মালেম পৃথিবী অসিদা লৈরিবা মীশিং অসিদি য়াম্না য়াম্লবজাৎনিকো, অমুক্কসু নোংমা নোংমগী অসুম অসুম মীশিং অসি হেনগৎলক্কদৌরিবনি, ইমাইপেন্মা ইমাইপেন্মা খল্লুবদা পাবু পাখৎলে ঐদি।

লাংলেনসনা :- হেনগৎলক্কদৌরিবনি অদুনা ঐখোয়না চীঞ্জাক অরেম্বদা মাংহন্দনা লীশিন্দুনা থম্বগী হৈনবীসু লৈবা তাবনি।

তোম্বীরৈ :- পৎতুনা পুমদুনা মাংখ্রগদবা মনা-মশিং, হৈরাশিং কংহন্দুনা অমদি আচার শেমদুনা লিশিন্দুনা ইমানা থল্লিবসিদি য়াম্না কান্নবজাৎনিনে, নহাল নপাগা লময়ানবগনা ফারকপা ঙমুশিং অদুসু লৈরৌ শেমদুনা ইমানা খরুংদা লিদুনা থমখ্রবনি।

লাংলেনসনা :- (নোকপা) ইমানা তৌরিদু য়াম্না চুল্লবনি, ঐখোয় ইমাসে য়াম্না শিংলমলিজাৎনি।

তোম্বীরৈ :- কৈনো ইবেন্মা, ইপা-ইপু অহল লমনশিংদি চহি অমগী চান্ননবা চীঞ্জাক ৱাৎতনবা পৈশিন্দুনা লিশিন্দুনা থম্লরল্লিবনি, হৌজিক্কী মীরোলশিংদি চীঞ্জাক লিশিনবগী হৈনবী লৈনদরে অদুনা চীঞ্জাক ফংদ্রবা কান্দা ৱাজবা তাবনি।

লাংলেনসনা :- অচুম্বনি ইমা, ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংসে য়াম্না লৌশিং লৈজাৎনিকো।

তোম্বীরৈ :- থেংলে নঙসু তুল্লো, ইমাসু তুল্লুরগে হয়েং ঙন্তা হৌগৎসি, ইমা-ইচা য়েন্দেম পান্বী খরা মনিংগী ইংখোলদা থাজিনসি, তুম্মো তুম্মো (চৎখিবা)।

লাংলেনসনা :- হোয় ইমা । (ফোন রিং লাকপা) অসুক থেংলকানসিদা ফোন তৌরকইসিবো কনানোনে... হায়মা দাদা পাইখোম্বনিনে ... হল্লো... দাদা।

পাইখোম্বা :- লাংলেনসনা ! ঐসে থবক চীনমন্দনা নহাল নখোয় পাবাদা লাক্কে হায়খ্রগা লাকপা ঙমদদুনা লৈরে, নখোয় শাওনিংলম্লনি হায়দুনা ফোন তৌরকপনি।

লাংলেনসনা :- শাওদেদা কৈদৌবগী শাওদোইনো, দাদা থবক চীন্দুনা তৌবা ওইরমগনি হায়না হায়রম্লিবনি ঐনা, ঐসু দাদাহোয়দা ইগজাম হেক লোইখিবদগী অমুক্তা লাক্কে তৌবসু তাঞ্জা অমা ইচা চাদদুনা লাক্তরে, থোইবীসু ঐঙোন্দা ফোনগা অমতা তৌরকখিদরে, ঐনা ফোন তৌবদসু মাগী নম্বরদু রিং শুংচৎ চৎতে, পাওগা অমতা ফাওনদরে ইবানিসু।

পাইখোম্বা :- ঐখোয় থোইবিদি বেঙ্গলোরদা ইচেহোয়দা চৎকনি হায়দুনা চৎখিবনি, জরনি মনুং ওইবদুদা ফোন ফংদবা ওইরমগনি।

লাংলেনসনা :- ঐঙোন্দা পাওগসু অমতা তাক্লমদে, দাদাসু নোংমতা ঐবু থীবিরক্তে, ঐখোয়দি খুঙ্গং নিঙোলনিনা দাদাহোয়না নীংশিংবীপোৎ নৎতে।

পাইখোম্বা :- কৈদৌবগী নীংশিংলোইদোইনো, ঐসে হন্দক রিছার্চ পেপর অমখক পব্লিষ্ট তৌগে হায়দুনা কন্না হোৎনরি অদুনা তৌবনি, নঙসিমা নপুক্লিং নুংশিগনখ্রপোৎনি, ঐখোয় থোইবীগী মমান্নবী ময়ামগী মরক্তগী নঙবুদি ঐনা তোঙান্না খন্দোক্লগা থল্লিপোৎনিদা।

লাংলেনসনা :- এ! অদুদি করিগীনো দাদা করিগীনো হায়বা, ঐবুনা ময়ামদগী তোঙান্না খন্দোক্লগা থল্লিদুবু, ঐসে খরা পংবগীরা ময়ামদগী।

পাইখোম্বা :- নৎতেদা, নোংমা মতাং চাবদা ওইনা হায়রগে, হয়েং ঐ নোয়দা লাক্কে নোয় পাবাহোয়, ইমাহোয় উনবা, থেংঙে তুম্মো ফোন থম্মগেকো... গুড নাইট, স্বুইট ড্রিম...।

লাংলেনসনা :- হোয় দাদা, দাদাসু তুম্মো, গুড নাইট, স্বুইট ড্রিম...।

-ম্যুজিক-

(মফম: তোমচাগী য়ুম, মতম:- অয়ুক অঙনবা, নুংশিবা উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল।)

তোমচা :- তোম্বীরৈ নোয়বু হৌজিক ফাওবা হৌগৎত্রিবরনে, হৌগৎলোনে থেংলেনে... তোম্বীরৈ... তোম্বীরৈ...।

তোম্বীরৈ :- কৈনো মোয়পাবা অদুক কন্না কৌবিরিদুবো, ইমা-ইচাদি ঙসাই মল্লি মল্লি তৌরিঙৈদগী হৌগৎতুনা ইংখোল কোইরুরিবনি, নচানুপীনা চাসু লোনহৌরবনি, চা পুরক্লগনি।

তোমচা :- ইহে ঐদি নমা-নচা তুমিন-তুমিন লৈনবদুদা তুল্লিবোই খল্লুরে, নমা নচাদি মরম য়াম্না মোকলমলিবোরে, হোয়নে নোয়না ইংখোলগদু খরা কোয়বা য়াওশিল্লক্লবদি, নোংগসিসু মতম চানা চানা তারক্কদবা মাল্লিহে (নোকপা)।

তোম্বীরৈ :- মোয় পাবাগী ফাগীনিদি হায়রগা করেম্নবা মানবা ৱাঙাংদো তৌবিরক্কনু হৈনদে ঐ, ঐখোয়সু ঐখোয়না ঙম্বা থবক পুন্নমক শু নোমদুনা মোয়পাবাগী মতেং পাংদুনতা লাক্লিবনি (শাওবা)।

তোমচা :- তোম্বীরৈ ! নঙসি ফরক্তি ওন্থোক্না তাখ্রজাৎনি, ফাগী তৌবনিসু খঙদে নুংশিদুনা লক্লবনিসু খঙদে নঙোন্দা ৱাগা অমতা ঙাংজররোই, হায়জররোই।

তোম্বীরৈ :- ঙাংবীরক্কনু, হায়বীরক্কনু মোয়পাবাসু মোয়পাবানা থোকপা অদুম তৌবিয়ু ঐসু ঐনা থোকপা অদুম তৌজগে।

লময়ানবা :- (চংঙকপা) কৈদৌরে খুরা হৌজিক ফাওবা লৌবুক্তা লাকত্রদি ঐদি খুরা লৌবুক্তা লৈরম্লনি খন্দুনা লৌবুক য়ৌরুরবনি।

তোমচা :- ঐসু লাক্কে তৌরল্লিবনি, নোয় ননেনা ঙন্তানা ঙসিদি লৱাই লেমফুদা লাকখরে।

তোন্বীরৈ :- (শাওনা) ঐনা মোয় পাবাদা করি তৌরগে, মোয় পাবানা হান্না করেম্নবা হৌরকপা নৎতরা।

লাংলেনসনা :- অস ! ঐখোয় পাবাগা ইমাগসিদি ঙহাক্তা পুনবা য়াদে, চীন্দা পাওদানবা হেক্তা হৌরকই, সে চা লৈরে, চা থকঅসি পাবা, ইমাগীসু লৈরে সিদা, দাদা লময়ানবা সে চা থকও।

লময়ানবা :- লাংলেনসনা ! ঐসে নুংতিগী নোয়গী চা থকপা মতমসে হেক্তা চানৈকো, ঐসে দাওদি য়াবা জাৎনিকো (নোকপা)।

লাংলেনসনা :- অদুম ঙাংদুনা লৈত্রসু চাদু কোক থকও, অদো পাবা দাদা পাইখোম্বদু হৌজিক লাক্কনি হায়রকপনি।

তোমচা :- ফরেদা, ঐদি মা লাক্তরে হায়দুনা পুল্লিংসে নুঙাইরুদ্রবনিনে, মাবু ঐখোয় য়ুমসিবু খঙগদরনে।

লময়ানবা :- ঐনা নহাল য়াম ফজনদি তাক্লম্বনি মফমসি।

লাংলেনসনা :- ঐনসু ফজনদি তাকখ্রবনি, খঙদ্রগনা ফোন তৌজরকঅনি। এ ! হায়নরিঙৈদা দাদা পাইখোম্বদি লাকপু লাকএ (গাড়ী থৌজিল্লকপা)।

তোমচা :- (হরাওবা) ইবুংঙো চংবীরকও চংবীরকও হৌজিক্তা য়ুমবু খঙগদরা হায়নরল্লিবনি, ইবুংঙোদি য়াম খঙনবু লাকইনে ঐখোয়গী য়ুমসে।

পাইখোম্বা :- খুনসিদা খুরাবু হংবদা খঙদবা মীওই অমতা লৈতেদা অদুনা খুরাহোয়গী য়ুম থিবদি ইরায় লায়দা।

তোন্বীরৈ :- ইবুংঙো মোরাসিদা ফম্বীয়ু, ইনেহোয়গী য়ুম্বাল কৈবানসিদি নাতৈ কয়া চাবা নৎতে নোক্লবীগনুকো।

পাইখোম্বা :- ইনে, ওন্থোক-ওন্থোকপা ৱাবু হায়বীরে, ঐসু নচাগুম্বনি, ঐনা লাকচরিবসি খুরাহোয় ইনেহোয়গী মতেং খরদা ওইরসু পাংবা ঙমজগদরা খন্দুনা লাকচরিবনি।

লাংলেনসনা :- দাদা সে চা থকও, দাদানা ঐখোয়দা লাকপীবসে য়াম্না নুংঙাইরে।

পাইখোম্বা :- চাসি থকতোক্লগা লৌবুক্তা চৎতুনা হৌজিক ওইরিবা লৌবুক্কী মওং মতৌশিংদু য়েংলুরসি।

তোমচা :- হোয় ইবুংঙো, মদুনা ফরনি চৎনবা তৌসি, ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা চৎলসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: লৌবুক, মতম: অয়ুক নুংশা হায়ফেৎ শাগৎলকপা মতম, লাপনা উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল তাবা)

পাইখোম্বা :- খুরাগী লৌসি পরি কয়ামুক্তি শুবগে?

তোমচা :- ইবুংঙো, লৌ পরি অহুমমুক্তনি, মসিদগী থোক্লকপা পোৎথোক্না ইমুং-মনুংগী চাবা খক্তা নৎতনা অহেনবা পোৎথোকশিং য়োন্দুনা চহি খরগী মমাংদদি শেল য়াম্না ফংলম্বনি অদুবু হৌজিক্তি চাবা ফাওবা কোন্নগনি থাজরক্তরে।

লময়ানবা :- খুরাগী লৌগা হেক থংননা ঐগী লৌবুকসু লৈরে, ঐগীদি লৌ পরি অমখক্তনি, ঐনা খুরাগী লৌ অয়াম্বসু লোয়না য়েংশিল্লিবনি।

তোম্বীরৈ :- চহি খরগী মমাংদদি ঐখোয়গী খুন অসি চাথোক য়াম্না পুথোকপদা মমিং চৎলল্লিবনি ইবুংঙো।

লাংলেনসনা :- হৌজিক নোংজুগী চাং ৰাৎলকপদগী চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং ৰাৎলকপনি অদুনা দাদা ইথৈ লৌখোংশিং অসিদা ঈশিং ফংহন্নবা গোভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু পুক্লিং চীংশিনবীনবা হায়জবসু কান্নগদবা মাল্লি।

পাইখোম্বা :- উম, পুম্নমক তৌবা য়াবা তৌসি, মতেং লৌবা য়াবসু লৌসি, অইং-অশা নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা অকায়বা অহোংবা কয়া থোক্লকপদগী হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক্তা অকায়বা অহোংবা কয়া থোকহলক্লিবনি।

লাংলেনসনা :- দাদা ! মালেমগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলকপদগী পোলগী শরুকশিংদা লৈবা ঊনগী শরুকশিং শৌদোরক্তুনা সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় হেনগৎলকপদগীসু লৌউ শিংউবদা অকায়বা কয়া থোকহল্লিকো।

পাইখোম্বা :- উম অচুম্বনি, মালেমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ক্লাইমেৎ অসি অমতা মান্নদে, মফম খরদনা য়াম্না শাই খরদনা য়াম্না ইংঙি, লম অমগা লম অমগগী অইং-অশাগী চাং, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং, নোংজুগী চাঙ অমতা মান্নদে। মীওইবগী হীংবগী মওং, লৌউশিংউবগী মওং অসিসু মফম অমগা মফম অমগা অমতা মান্নদে। হৌজিক্তি মফম খুদিংমক্তা হান্না লৈজরম্বা ক্লাইমেৎ কন্দিসন্দা য়াম্না অহোংবা লৈরে।

তোমচা :- ইবুংঙো অইং-অমা হোংলক্লিবা অসি করি মরমদগীনো?

লময়ানবা :- সার ! নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং অসি য়াম্না ৰাংখৎলকপদগীনি হায়বদাই।

পাইখোম্বা :- য়াম্না চুম্লবা ৰাফমনি, ফোশিল ফ্যুলশিং হায়বদি কয়লা, পেট্রোল, নেচরেল গ্যাসনচিংবশিং কা হেন্না শিজিন্নরকপদগী গ্রীন হাউস গ্যাসশিং, ৰাটর ভেপর, কার্বোনডাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ওজোননচিংবা অসি ইন্দষ্ট্রি অমদি গাড়ীশিংদগী কা হেন্না থাদোরক্তুনা নুংশিৎতা তিনশিনখিদুনা নুংশাগী মৈশা য়াম্না হেন্না চুপশিন্দুনা গ্লোবেল ৰার্মিং থোরকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্তুনা লৌউ শিংউবদসু অকায়বা ওইরক্লিবনি।

তোম্বীরৈ :- ইবুংঙো হৌজিক হায়রিবা ময়ামসিদগী ঙাকথোক্লবা করি উপাই তৌগনি।

পাইখোম্বা :- মালেমগী লুচিংবা কয়ানা হৌজিক্তি মালেম অসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্লে হায়বসি য়ানরে, মীওইবা ঐখোয়গী থবক থৌরম কয়াদগী গ্লোবেল ৱার্মিং ওইরক্লিবনি হায়বসিসু মীপুম খুদিংনা খঙনরবা ৱাফম ওইরে, ইং ২০১৫ কী পেরিস এগ্রিমেন্টকী মতুংইন্না মালেমগী লুচিংবা কয়ানা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং থাদোরকপা হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌনখরে।

লময়ানবা :- সার, লৌবুক্কী অকোয়বশিং অসিদা উ পাম্বী ময়াম থাজিনবসু কান্নগদবা মাল্লি।

পাইখোম্বা :- য়াম্না কান্নগনি, উ পাম্বী য়াম্না হৌরবদি কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না চুপশিনবিদুনা কান্নবা য়াম্না ফংগদৌরিবনি।

লাংলেনসনা :- দাদা, হৌজিক ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ কন্দিসন অসিদা করি করি পাম্বীশিং ওইনা থারগা ঐখোয়দা খরা শাফগদগে হায়বদুসু তাকপীয়ু।

পাইখোম্বা :- ঈশিং কাহেন্না দরকার ওইদবা ফৌগী ভেরাইটিশিং থানবা তৌসি, চুজাক, চুনচিংবশিংসু লৌফম খরদা থারসি, মতম মতমগী ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ কন্দিসন য়েংলগা চান্নবা মনা-মশিং থানবা ঐ পুন্নমক শিনজরক্লগে, করিমতা ৱাবীরুগনু খুরা।

তোম্বীমচা :- সিদগীদি ইবুংঙো তোয়না তোয়না লাক্কুনা য়েংশিনবিরগদবনিকো।

পাইখোম্বা :- ঐ শোয়দনা লাকচগে অদুদি ঐ অমুক চৎচরগে।

তোমচা :- চৎলো চৎলো ইবুংঙো খুরাহোয় লৈহৌরগেকো।

লময়ানবা :- সার ৱারৌবীবা য়াদে, ঐখোয় লৈজহৌরে।

লাংলেনসনা :- (য়াম তপ্পা শোনহৌবা) দাদা অমুক য়াম থুনা লাকউকো, খুঙ্গংসিনা মতম পুন্নমক্তা দাদাবু খৌরাংনা ঙাইজরি।

-ম্যুজিক-